# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-04-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় অমদি লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ককচিং জিলাগী মোলতিনচাম ভিলেজতা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা এস.এল.আর. অমা, সিঙ্গল বেরেল গন অনি, বোল এক্সন রাইফল অমা, পম্পী মরি পোইন্ট থ্রি সিক্স ঐচ.ই. গ্রেনেদ অনি, এস.এল.আরগী অহাংবা মেগজিন অমা, ইনসাচকী অহাংবা মেগজিন অমা, বোর কারটিজ অনি, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী মরু মঙা, টিয়ার গ্যাস সেল (এস.এন) মরি, টিয়ার গ্যাস সেল (সি.এস) অনি, ষ্টন সেল অহুম অমদি অতৈ পোৎলম কয়াসু ফাগৎখি।

ফেরজোল জিলাগী লৈচাংফাই ভিলেজতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা কন্ত্রিমেট নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, লেথো গন অমা, কন্ত্রিমেট পোইন্ট টু টুগী রাইফল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম. এ.কেগী মরু ৫০, বুল্লেট প্রুব জেকেট মরি অমসুং রেদিও সেট অনি ফাগৎখি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বগী থবক থিংনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা চেন্নবশিং ফানবা থিবা হুম্বগী থবক কন্না চথুরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ু.এন.এল.এফ (পাম্বৈ) গী মীওই মরি অমসুং মখোয়গী থবক থৌরমদা মতেং পাংবা মীওই অমসু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ থাঙ্গপাৎ মপানদগী ফারে। মীওইশিং অদু ইম্ফালগী অকোইবা মফমশিংদগী মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি। মীওইশিং অদুদগী নোংমৈ মরু অনি, ৱয়ারলেস সেট অহুম, মোবাইল ফোন তরেৎ অমসুং চাকা মরি পানবা

গাড়ি অমা ফাগৎলে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী কে.সি.পি (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই তরুক ঙরাং ফাগৎখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোঙ্গ্রেন মমাং লৈকাইদগী মীওই অমা, ককচিং জিলাগী ককচিং লমদোংদগী মীওই অমা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং জঙ্কসনদগী অমা ফাগৎখিবনি।

মনিপুরপু পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিৱা লম্বীদগী লুপ অসিগী মীওই অহুম ফাগৎখি। মীওইশিং অদুদগী মোবাইল হেন্দসেট অহুম, ৱালেট অনি, অধার কার্ড অনি, শেল খরা অমসুং চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেলপাৎতা লৈবা ইম্ফাল সিটি সিৱরেজ ত্রিটমেন্ট প্লান গেট মনাক্তগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা ঙরাং ফাগৎখ্রে। মহাক ইম্ফালগী অকোইবদা লৈবা বেঙ্কশিং অমদি মীয়ামদগী শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** অঙাংশিং ঙাক শেনবগী মতাংদা পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাংঙু শন্দংখোঙ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্য সরকারগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-ককচিং অমদি মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী মখাদা লৈবা য়াইফ থৌরাং ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন-ৱাংঙু সন্দংখোঙ অনিনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা প্রিভেন্সন ওফ চাইল্ড মেরিজ এক্ট এন্দ পোক্সো ইন দা কম্যুনিতি অমসুং প্রিভেন্সন ওফ ইলিগেল ত্রান্সপোর্টেসন এন্দ হ্যুমেন ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২১ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**এনআইএঃ** পাহলগাম তেরর এটেক, নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না থিজিল্লগনি। কেস অসি গৃহ মন্ত্রালয়না এজেন্সি অসিদা থিজিন্নবা শিন্নখিবনি।

এন.আই.এগী কাংবু অদুনা থৌদোক থোকফম জম্মু কাশ্মিরগী পাহলগাম-বাইসরনদা চৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে। থা অসিগী ২২ দা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা মীওই ২৬ লৈখিদবনি, কয়া অমনা অশোক অপন নংখিবনি।

**দিল্লি ঃ** দিল্লি সরকারনা পাহলগাম তেরর এটেক্কী মতুংদা পাকিস্তান মচাশিংগী ভিজা চৎনহনখিদবা অদু লৈবাক কোনুং অসিগী ওইনা থা অসিগী ২৯ ফাওবা চৎনবা য়াহনখ্রে।

দিল্লিগী গৃহ মন্ত্রি-অশিশ সুদনা হায়-দিল্লিদা পন্দুনা লৈরিবা পাকিস্তান মচাশিং মশক খঙদোক্তুনা মনাক নকপদা লৈবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা খুদক্তা পাউ পীবদা মীয়ামনা মতেং পাংবীয়্।

কেন্দ্র সরকারনা পাকিস্তান মচাশিংগী ভিজা চৎনহনখিদবা অদুগী তুংদা দিল্লি সরকারনা পন্দুনা লৈরিবা পাকিস্তান মচাশিং অদু মরৈবাক্তা হলহন্নবা

ভিজাগী মতম অসি শাংদোকখিবনি।

অমরোমদা, পাহলগাম তেরর এটেক্তা লৈখিদ্রবা হরিয়ানাগী করনালদগী নেভি লেফটনেন্ট-ভিনে নরৱালগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ৫০ অমসুং সরকারগী থবক পীরগনি হায়না হরিয়ানাগী মুখ্য মন্ত্রি-নয়াব সাইনিনা লাউথোকখ্রে।

তেরর এটেক অদুদা লম কোইবশিংগী থৱায় কন্নবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবা সয়িদ আদিল হুসেনগী ইমুং মনুংদা মহারাস্ত্রগী উপ মুখ্য মন্ত্রি-একনাথ সিন্ধেনা লুপা লাখ মঙাগী শেনফম পীখ্রে।

**লাইরবাঃ** ৱার্ল্ড বেঙ্কনা হায়রি-হৌখিবা চহি তরা অসিদা ভারত্তা মীওই কোতি ১৭ লাখ অমা খম থেংনা লাইরবগী পনখৈদগী নান্থোরকপা ঙমখ্রে।

ৱার্ল্ড বেঙ্ককী স্প্রিং ২০২৫ পোভরতি এন্দ ইক্যুতি রিপোর্টকী মতুং ইন্না হায়-রাজ্য মঙা- উত্তর প্রদেস, মহারাস্ত্র, বিহার, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং মধ্য প্রদেসতা খম থেংনা লাইরবগী মশিং হান্না লৈরম্বা চাংগী শরুক অহুম থোকপগী অনি ফহনবা ঙমলে। খুঙ্গংগী লমদনা কুমজা ২০১১-১২ দা খম থেংনা লাইরবগী চাং চাদা ১৮.৪ অমসুং ২০২২-২৩ দনা চাদা ২.৮ দা হন্থহনবা ঙমলে। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা সহরগী লমদনা লাইরবগী চাং চাদা ১০.৭ তগী ১.১ দা হন্থহনবা ঙমলে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-লমদম অসিদা ফংলিবা বাইও-রিছোর্সশিংগী কান্নবা লৌনবা হোৎনসি হায়না রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল-২০২৫ গীদমক লুপা ক্রোর তরুক লাখ ৩০ কায়থোকখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহনাবা হেদলাইন

তৌরি।

পাহলগাম তেরর এটেক মতুংদা কাশ্মিরদা টেরোরিষ্টশিং ফানবা চথবা ওপরেসনদা য়ুম কয়া তেমখায়খ্রে, মীওই কয়ানা ৱাহং পাউহংগীদমক ফাজিনদুনা থল্লি হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (এন.ই.পি) অসি হয়ার এদুকেসনদা ইমপ্লিমেন্ট তৌবিয়ু হায়না দেসামনা আপিল তৌরকপগী পাউ পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। ইন্টিলিজেন্সতা য়ুম্ফম ওইদুনা শেনখায় থুমখায় চথবশিং ফানবা পাক্তকনা ওপরেসন চথখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (ডব্লিয়ু.এম.সি) না প্রধান মন্ত্রিদা মনিপুরগী হায়ৰেশিংদা অয়েৎ অপন লৈতনা চৎপা য়াহনবীনবা তকশিল্লদুনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইন্দিয়া লৈঙাকা কন্সটিট্যুসন ঙাকপা ঙমদ্রে, লাঞ্জেন্নরিবশিং ময়ুমদা হনজিনদ্রিবা ফাওবা শান্তি হনজিল্লে হায়বা য়ারোই হায়না এম.পি. বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-হিজবুল মুজাহিদিননা ইন্দিয়াগী মথক্তা লান লাউথোকখ্রে, পাকিস্তানগী আই.এস.আইনা মতম কুইনা মথৌ লেপ্পুরবা সেক্রেট এজেন্সি নৌনা এক্তিভেট তৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুর: সি.আর.পি.এফকী কেম্প মনাক্তা নোংমৈ কাপ্পদা চেন্নবা পুলিস কন্সটেবল অনি ফারে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-লৈকাই লৈকাইদা চৎতুনা পাঙথোকপা কোকোমিগী মীফম মখা চথরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। লান্মীগী থবক থৌরমদা লাইফ কভরেজ তৌবা মিনিষ্ট্র ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা থিংখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পাকিস্তাননা লাইন ওফ কন্ত্রোল (এল.ও.সি) দা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়বা পাউনা মোরনিং বেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।